অসামদা মীওই ৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে, অপুনবা কেস মশিং ৮৬ শুরে

Coronavirus Blood T
POSITIVE

গুৱাহাতি, মে ১৪ (এজেন্সি):

গুৱাহাতিদা ঙসি কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৭ থেংনখিবগা লোয়ননা অসামগী অপুনবা কেস মশিং ৮৬ য়ৌরে।

নৌনা পোজিটিভ ওইরকখ্রবা মীওইশিং অদু মুম্বাইদগী গুৱাহাতিদা থুংলখিবা কেন্সর পেসেন্টশিং অমদি মখোয়গী এটেন্দেন্টশিংনি। মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমসু য়াওরি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা হায়খি মদুদি, মুম্বাইদগী থুংলকখিবা কেন্সর পেসেন্ট অমদি এটেন্দেন্ট পুম্নমক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্লি।

চৈরকসিদা, কামরুপ (মেট্রো) দিষ্ট্রিক্তা মীওই ১৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী অসাম পুলিসনা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে। এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) জি পি সিংহনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা মীওইশিং ময়ুম-ময়ুমদগী মপান থোকপিরক্তনবা অপিল তৌখি।

ট্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা এ দি জি পিনা হায়খি মদুদি, কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীওইশিংনা মীয়ামগীদমক খল্লগা ময়ুম-ময়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈগদবনি। অসামদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ৩.৩ খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াই খনবিদুনা মীপুম খুদিংমক মপান্দা থোকপিরক্নু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মীওই ৪৪২ অসামগী দিব্রুগর রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখ্রে। দিব্রুগরদা থুংলখিবা মীওই ৪৮২ গী মনুংদা তিন্সুকিয়া, সিবসাগর, চরাইদিও, লক্ষিম্পুর অমদি ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংসু য়াওরি।

রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলবা মীওইশিং অদু হেল্থ ওফিসলশিংনা স্ক্রিনিং তৌখি। বানিপুর রেলৱে ষ্টেসনদা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না স্ক্রিনিং সেন্টর অমা হাংদোক্লগা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী থুংলখিবা মীওইশিং অদু স্ক্রিনিং তৌখিবনি।

ক্বারন্টিন সেন্টর ওন্থোকপা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইটানগর, মে ১৪ (এজেন্সি):

ইটানগরগী চন্দ্রনগরদা লৈবা হোষ্টেল অমা ওথোরিটিশিংনা কোভিদ-১৯ গী ক্বারন্টিন সেন্টর ওন্থোক্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুগী মীওইশিংনা হায়খি মদুদি, অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিং তান্নরমদনা হোষ্টেল অমবু ক্বারন্টিন সেন্টর ওন্থোক্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। অথুবা মতমদা লৈঙাক্না অতোপ্পা মফম অমদা ক্বারন্টিন সেন্টর শানবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। লৈঙাক্না লৌখৎলকপা থৌরাং খুদিংমক্তা মপুং ফানা শৌগৎকনি অদুবু মীয়াম তিনবা মফমদা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোরকপা তারবদি অয়াবা পীবা ঙম্লোই হায়নসু লূপ কয়ানা ফোঙদোরকখি।

মহে তম্ফম লোইশঙদা ক্বারন্টিন সেন্টর ওইহন্নবা থৌরাং পুম্নমক লৈঙাক্না লৌখৎলকপনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং মতেং পাংবিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি। কেপিটেল কমপ্লেক্সতা পেদ ক্বারন্টিন সেন্টর ২০ হাংদোক্নবা লৈঙাক্না মশক খঙদোকপা লৈখ্রে।

'পন্দুনা লৈরিবশিংদা মতেং পাংখিগনি'

কোহিমা, মে ১৪ (এজেন্সি):

নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি তেমজেন তোইনা হায়খ্রে মদুদি, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংদা লৈঙাক্না লুপা ১০,০০০ তেংবাং পীবগী থৌরাং লেপ্তুনা লৌখৎখিগনি।

নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)কা ৱারী শানবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহৈরোয়শিংগী লূপ অসিনা ঙসি চীফ সেক্রেটরিগা উনদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা নাগালেন্দগী মীওইশিংদা মতেং পাংবিনবা ৱাফম তকশিনখি।

অমরোমদা, চীফ সেক্রেটরিনা হায়খি মদুদি, মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজগা ৱারী শানদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা নাগালেন্দগী মীওইশিং পুশিল্লক্নবগী অখন্নবা ট্রেন অমা থৌরাং তৌনবা হোৎনরি।

লোকদাউননা মরম ওইরগা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা ওইনা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ পীনবগী থৌরাং লেপ্তুনা চথগনি হায়রি।

ইষ্ট জেন্তিয়া হীলসতা মীওই চা কয়ানা লোকদাউনগী অথিংবা থুগায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

All India Permit
ROAD KING

শিল্লোং, মে ১৪ (এজেন্সি):

সিমেন্ট প্লান্টশিংদা মপান্দগী কোয়লা পুশিল্লকপা য়াহন্নবগী মতাংদা মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোত্তুনা ইষ্ট জেন্তিয়া হীলস দিষ্ট্রিক্টতা মীওই চা কয়ানা লোকদাউনগী অথিংবা থুগায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

অসামদগী কোয়লা পুশিল্লক্লগা সিমেন্ট প্লান্টশিংদা শীজিন্নবা য়াহনগনি হায়বা ষ্টেট লৈঙাক্কী ফিরেপ অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কোল মাইনরস এন্দ দিলরস এসোসিএসন অমদি ট্রেদিসনেল ইন্সটিট্যুসন য়াওনা কাঙলুপ ১২ গী মীওই কয়ানা লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। ষ্টেট কোওদিনেসন কম্মিটি ওফ কোল ওনরস, মাইনরস, এক্সপোর্টরস, ট্রান্সপোর্টর এন্দ দিলরস ফোরমনসু লৈঙাক্কী ফিরেপ অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ গী কেস মশিং তপ্ন-তপ্না ৱাংখৎলক্লিবা অসামদগী কোয়লা পুশিল্লকপগী থৌওং অদুনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না মীয়াম্না ফোঙদোকখি।

ফোরমগী সেক্রেটরি এম খারকোঙ্গোরনা হায়খি, ইষ্ট জেন্তিয়া হীলসতা অসামদগী কোয়লা পুবা ট্রক কয়া থৌজিল্লক্লিবসি খুদোংথিনিংঙাইনি। থৌরাং অসি খুদক্তা লেপ্পীনবা চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমাদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে।

ইষ্ট জেন্তিয়া হীলস দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংনা হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্কী ফিরেপ খুদক্তা হন্দোকপা মথৌ তাই। অদুবু চীফ মিনিষ্টরনদি তঙাইফদবা ফিভম লৈবনা মপান্দগী কোয়লা পুশিল্লক্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোল ইন্দিয়া লিমিটেদনা আইদেন্টিফাইদ তৌখিবা কোয়লা মেট্রিক টন লাখ ২গী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, য়ুনিয়ন কোল মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লগা ৱারী শানদুনা অরোয়বা ৱারোইশিন অমা নোংমা নিনিগী মনুংদা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ষ্টেটকী পাউ

এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা সেকমাই এ সীগী মনুংচন্না লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস) :

এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা ঙসি সেকমাই এ সীগী মনুংচন্না লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী মনুংচন্না কংলাতোম্বিগী হিন্দি সেকেন্দরি স্কুলদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বরন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্দুনা মখোয়গী অৱাৎ-অপাশিং অমদি করম্বা ফীভমদা লৈরিবনো হায়বদু য়েংশিনখি হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মহাক্না হায়খি এ সী অসিগী অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মীওই ৯০০ রোম পন্দুনা লৈরি। এ সী অসিদা হৌজিক ফাওবদা হিন্দি সেকেন্দরি স্কুল কংলাতোম্বি, নিলপদমা হায়র সেকেন্দরি স্কুল সেকমাই, সরদার পটেল স্কুল খুরখুল অমসুং দোনবোস্কো স্কুল ফয়েংদা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদুনা লৈরে। ঙসি ফাওবদা মপান্দগী লাকপা মীওই ৪৫, ফয়েংদগী ১০ য়াওনা পুম্না মীওই ৬০ রোম এসী অসিগী তোঙান-তোঙনবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্বা হৌরে। সেন্টরশিং অসিগী কাশিংদা মৈ অমদি ঈশিং ফংনবগী থৌরাংসু পায়খৎলে। লোয়ননা টোইলেট অমসুং বাথরুমনচিংবসু শেমগৎ-শাগৎলে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অসিগুম্লবা লৈবাক্কী চিরবা তানফম অসিদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা ভলন্টরিশিংনা লেপ্পা লৈতনা লৌরিবা থৌদাংশিং থাগৎতবা ঙমদে। সী এম বিরেনগী লুচিং মখাদা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিদা খ্বাই খিবিক্না মতেং পাংবিদুনা কোভিদ-১৯ কেস লৈতবা লমদম অমা ওইহনশি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা ইরোইননা ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা মাস্ক, সেনিটাইজর, মিনরেল ৱাটর বোটল, ফেস শিল্ড ৭০, ইনফ্রা রেদ থর্মোমিটর অমদি হেন্দ গ্লোবনচিংবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি।

মীয়ামদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ককচীং, মে ১৪(ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ থিংননবা চথরিবা লোকদাউন অসিনা মীয়াম ৱানরবা মতম অমসুং মুস্লিমশিংগী শেংলবা রমজান থাগা মরী লৈননা ককচীং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সোরাগী খরা হেন্না শোথরবা ইমুংশিংদা ভুবোন টেক্নিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট (বি টি এস দি) প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্র, বি টি এস দি প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্টর নাওরেম ওংবী বিনারানী অমদি ভুবোন ব্রিক ফিল্ডগী মপূ নাওরেম নোপুরনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

ঙসিগী তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা ভুবোন টেক্নিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট (বি টি এস দি) প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক-হৌজিক মীয়াম্না লোকদাউনগী অৱাবা খম থেংনা মায়োক্নরিঙৈ মতম অসিদা নোংমগী শু-নোম্লগা চরা তাঞ্জরিবা মীয়ামগীদমক খল্লগা রমজানগা মরী লৈননা তেংবাং পোৎলমশিং অসি পীজবনি।

অমরোমদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৮গী কাউন্সিল্লর এম ইনাকখুনবীনা ৱার্দ অসিগী ৱার্দ মেম্বরশিং অমদি ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা চথরিবা লোকদাউন অসিনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা ৱার্দ অসিগী মনুংদা কা ৱাইদুনা লৈবা মীওইশিং য়াওনা য়ূমথোঙ খুদিংদা চান-থক্নবা আলু, তিলহৌ, হৱাই, অচাথাউ অমদি সর্ফনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা কাউন্সিল্লর এম ইনাখুনবীনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক লোকদাউনগী ৱানরবা মতম অসিদা লৈকাই অসিগী মীয়ামদা নোংমগী চরা অমত্তা ওইরবসু খঞ্জদুনা মতেং পাংজবনি। লোয়ননা ৱার্দ অসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা হৌজিক মপান লমদগী হল্লক্লিবা মীওইশিং অসিবু ক্বারন্টিন সেন্টরদা চেকশিন্না থম্বদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফমসু থম্লক্লি।

মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিংদা চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে

থৌবাল, মে ১৪(ঐচ এন এস):

সোসল বেকৱার্দ পীপল'স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস বি পি দি ও)গী সেক্রেটরি অস্লম রাজনা খাঙবোক এ সীগী শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-১ মাইরেনখুলদা লৈরিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা হেন্না অৱাবা নংলবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী লুখ্রাবীশিংদা নোংমগী চঙদ-য়াদ্রবা চেঙ, আলু, হৱাইনচিংবা পোৎলমশিং ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

এস বি পি দি ও শঙ্গাইয়ুম্ফমগী সেক্রেটরি অস্লম রাজনা হায়খিবদা অৱাবা মায়োক্নরিবা লুখ্রাবীশিংগীদমক য়েংবীদুনা ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎশিং অসি ৱর্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎ অমদি বি জে ৱাই এম য়ুব মোর্চাগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট সোমোর্জিৎনা মতেং পাংবীরকপনি হায়না লোকদাউনগী খম থেংনা ৱারবা তাঞ্জা অসিদা মতেং পাংবীরকপা অসিগীদমক মিনিষ্টর বিস্বজিৎ অমদি বি জে ৱাই এম য়ুব মোর্চাগী প্রসিদেন্ট সোমোর্জিৎপুসু অস্লম রাজনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌননবা মেছিন অনী ইন্সটোল তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ভি আর দি এল লেবতা ঙসি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌননবা মেছিন অনী নৌনা ইন্সটোল তৌখ্রে। রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ শান্তগী মীৎয়েং মখাদা নৌনা ইন্সটোল তৌখ্রবা মেছিন অনী অসি কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট মিনিট ৪৫দগী পুং ১ ফাওবগী মনুংদা খঙহনবা ঙম্বা মেছিননি হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা লেপ্তুনা দ্রাইভ চথরি

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস): লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু থুগায়বতা নত্তনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা মাস্ক উপ্তুনা থোক্লুপা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চথবশিং দিটেন তৌবগী মণিপুর পুলিসকী দ্রাইভ লেপ্তুনা চথরি। ঙসিসু মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লোকদাউন থুগায়বা মীওই ৮৭০ গাড়ি ৬৯৬ কা কোম্না দিটেন তৌদুনা লুপা ১,০৩,৬০০ ফাইন ওইনা থিহনখ্রে হায়রি।

রাম কৃষ্ণ মিসননা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস): রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালনা কোভিদ-১৯ লোকদাউন রিলিফ কেম্পকী মখা চথরকপা ওইনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা লৈবা য়ূমথোঙ কয়াদা চান-থক্নবা য়াওনা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ককচীং তুরেল ৱাংমা ৱাটর সপ্লাই মনিংদা লৈবা শোথরবা ইমুং ৬২ অমসুং লমজাও মখা লৈকাই, লাংমৈদোংগী শোথরবা ইমুং ২৯০দা ঙসি রাম কৃষ্ণ মিসনগী মায়কৈদগী তেংবাংবা ওইনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়াওনা হাইজিন কিটশিং য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

কেম্প্যেন প্রমোসন প্রোগ্রাম 'ৱর্ক এন্দ ফাইট কোভিদ-১৯' হৌদোকখ্রে

থৌবাল, মে ১৪(ঐচ এন এস):

ৱাংজিং তেন্থা ফার্মরস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এস)না এসোসিএসন অসিগী খোংজোমদা লৈবা ওফিসতা 'ৱর্ক এন্দ ফাইট কোভিদ-১৯' হায়না মিংথোনবা কেম্প্যেন প্রমোসন প্রোগ্রাম ২০২০ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে অমদি অথোইবা মীথুং ওইখিবা ফোর্মর মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা মিসন অসিগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা লৌবুকশিংদা হিংনবগী লানফমদা থবক শুরিবা লৌমীশিংদা য়েন্থোক্লুনবা চাকয়োম (লঞ্চ পেক) পুবা গাড়ীশিংসু লমথাখ্রে।

'ৱর্ক এন্দ ফাইট কোভিদ-১৯' কেম্প্যেন হৌদোকপগা মরী লৈননা ঙসি অহৌবা নুমীৎতা ৱাইখোম মনি গর্ল কোলেজ থৌবাল, তেন্থা হায় স্কুল, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিং অমসুং ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎতুনা সেন্টরশিং অসিদা লৈরিবশিংদা অমদি তোঙান-তোঙানবা ব্রিক ফিল্ডশিংদা থবক শুরিবশিংদা চাকয়োম (লঞ্চ পেক) ১০০০ রোম য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়খিবদা মালেমদা লাইচৎ অমা ওইনা অঙকপা ফংনা ৱাহল্লিবা কোভিদ-১৯বু শীংনদুনা লৌবৃক্তা থবক শুরিবশিংদা ৱাংজিং তেন্থা ফার্মরস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এস)না ঙসিদগী হৌদোক্লিবা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা চাকয়োম (লঞ্চ পেক) ১৫,০০০ রোম য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপনি হায়খি।

'অথুবা মতমদা লৌখোং শেম্বিয়ু'

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস) :

ককচিং লমখাইগী খা থংবা শরুক ১৩৫ কে ভি পাউর সব-ষ্টেসন হৈককপোকপী অমদি নেসনল হায়ৱে-০১২ লম্বীগী নোংচুপ অমদি নোংপোক্তা ককচিং খুলেন ভিলেজ ন. ৫৯ অমসুং ৬০না কোনবা ককচিং লেংবা লৌকোলগী চাউরাক্না ৬০০ একরগী লৌফমশিংদা মমাংদা লৈরম্বা লৌখোং লৈখিদবনা লৌ উবা য়াদনা লৈরে। মরম অদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি আই এফ সী দিনা লৌখোং শেম্বিয়ু হায়না লেংবা লৌকোল কল্টিভেটর্স ৱেলফ্যের কম্মিটি (এল এল সী দব্লিয়ু সী)গী প্রসিদেন্ট এন নিমাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লনাই মীওই খরনা মশা-মশাগীতা য়েংদুনা মফম অদুদা লৈরিবা লৌফমশিংদা লৈবাক থোঞ্জিল্লকপা অমদি কলভর্ট হাপ্তুনা লৈবাক হাপচিনখিবনা মফম অদুদা লৈরম্বা লৌখোং মাংখিবনা ঈশিং য়ৌরকপসু ঙমদ্রে। লৌফম খরদনা নোং চুরকপা মতমদা লৌখোং লৈতবনা চিংদগী লৌফমশিংদা ঈশিং চেনশিল্লকপনা ফৌ পাম্বী শিবা হায়বদু ওইরে। অমরোমদা কোরানাভাইরসনা মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী থবক শুবা য়াদনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা হায়রিবা মরমশিং অসিনা লৌ উবা য়াদবদগী লমদম অসিদা চাক তাংবা থোক্লক্কদরা হায়বগী মীপাইবা লৌমিশিংদা পোক্লরে। কুমগী লৌউবগী মতম য়ৌরক্তুনা হৌজিক ফৌ হুনবগী মতম হায়বদু ওইরবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা লৌখোং শেম্বিদুনা লৌ উবা য়ানবা শেম্বিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মীয়ামদা তেংবাং ওইনা য়েন্থোকখ্রে

ককচীং, মে ১৪(ঐচ এন এস):

মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবা মতম শাংনা লোকদাউন চথদুনা লাকপনা মনা-মশীংগী পোথোক পুথোকচরিবা লৌমীশিংনা মশাগী পোথোক য়োনফম লৈতবদগী অৱাবা মায়োক্নরি। পোথোক পুথোকচরিবা লৌমীশিংগী অৱাবা খরমখৈ কোক্নবা পান্দমদা খুমুকচম লৈমা, চ্যেরপর্সন, ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ককচীং খুনৌগী লৌমীশিংদগী মনা-মশীংগী পোথোকশিং লৈদুনা চান-থক্নবা ফংদবা অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা তেংবাং ওইনা য়েন্থোকখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবী, ককচীং খুনৌ ৱার্দ নম্বর ৩গী কাউন্সিল্লর খুমুকচম লৈমা অমসুং ৱার্দ মেম্বর কে ঐচ অথৌবা অমসুং কে ঐচ বঙ্কিমচন্দ্র অনীগা খূৎশম্নদুনা ৱার্দ অদুগী মনুংদা লৈরিবা য়ূমথোঙ ২৭০দা অহানবা ওইনা চান-থক্নবা তেংবাং পীখ্রবা মতুংদা অনীরকশুবা ওইনা ঙসি কোবী, মাইরেন অমসুং খোংদ্রুম য়েন্থোক্লদুনা হায়, ককচীং খুনৌগী লৌমীশিংনা থাজরিবা মনা-মশীংশিংগী পোথোক অসি লোকদাউন লৈখিবনা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি। নাকল অমরোমদনা লোকদাউন চথরিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্নসু চান-থক্নবা পোৎলমশিং ৱাৎনরকপগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিগী য়েংলগা লৌমীশিং অমদি মীয়ামগী অৱাবা খরমখৈ কোক্ননবা তেংবাং অসি য়েন্থোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনসু ককচীং খুনৌগী লৌমীশিংনা থাজরিবা রবি লৌরোক্কী মনা-মশীং, মহে-মরোংশিং অসি য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিদা করি-করি তেংবাং পীবীবা য়াবগে হায়বদু মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিংসু চিংশিল্লকখি।

'চৈথেং' রিলিজ তৌখ্রে

ককচীং, মে ১৪(ঐচ এন এস): হে হয়া হৈয়ুম প্রদক্সননা পুথোকপা মেঘ হৈরেমচানা ইবা 'চৈথেং' হায়না মিংথোনবা মণিপুরী শোর্ট ফিল্ম অমা ঙসি ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা রিলিজ তৌখ্রে।

ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন, ভাইস চ্যেরপর্সন অমদি অতৈ কাউন্সিল্লরশিং লোয়ননা ককচীংগী শক্লাইরবা মীওইশিংনা অখন্নবা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মণিপুরী শোর্ট ফিল্ম রিলিজ তৌবা অদুগা মরী লৈননা শোর্ট ফিল্ম অসিগী অইবা মেঘ হৈরেমচানা ফোঙদোরকপদা কোরোনাভাইরসনা মালেম অসিদা লাকপা মতম অসিদা ঐখোয় মীওইবা অসিবু কন্দবা য়াদে কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মায়কৈ খূদিংমক্তগী গভর্ণমেন্টসু, মীয়ামসু কোরোনাভাইরসতা অহেনবা মীৎয়েং চঙখিবা অসিদা লৈঙাক্না কোরোনাভাইরসসু ঙাকথোক্নবা হোৎনবীয়ু অদুগা হান্নদগী হৌনা নাদুনা লাক্লবা মীওইশিং খূদম ওইনা কেন্সর, হার্ট পেসেন্ট, বি পি ষ্ট্রোক পেসেন্ট কয়া অসিগীসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মতৌ করম্না মখোয়বুসু হিংহনগদগে হায়বগী ৱাখল্লোন অদু ফিল্ম অসিদা মমি তাহঞ্জনবা হোৎনজবনি হায়খি।

CROSSWORD-3445



ACROSS
1 Orange-yellow colour (7)
5 Put off till later (5)
8 Beasts of burden (5)
9 Outside (7)
10 Conundrums (7)
11 Conceals (5)
12 Rove (6)
14 Bicycle for two (6)
18 Jittery (5)
20 Feeling, sentiment (7)
22 Ruffian (anag.) (7)
23 More pleasant (5)
24 Shouts (5)
25 Spendthrift (7)

DOWN
1 Common garden bird (7)
2 Combined (5)
3 Make a firm decision (7)
4 Most recent (6)
5 Drainage channel (5)
6 Deluged (7)
7 Council tax (5)
13 In name only (7)
15 Sums (7)
16 Cur (7)
17 Language of Israel (6)
18 Instant (5)
19 Renowned Irish poet (5)
21 Become liable for (5)

Solution 3444

M	U	S	S	E	L	■	P	I	S	T	O	L
A	■	T	■	M	■	■	■	N	■	I	■	A
L	A	R	V	A	■	U	N	H	A	P	P	Y
I	■	U	■	I	■	N	■	I	■	S	■	E
C	O	D	D	L	E	D	■	B	U	Y	E	R
E	■	E	■	■	■	E	■	I	■	■	■	S
■	■	L	I	B	E	R	A	T	E	D	■	■
H	■	■	■	E	■	H	■	■	■	E	■	J
A	D	D	E	D	■	A	V	O	C	A	D	O
Z	■	A	■	O	■	N	■	R	■	R	■	C
A	S	T	O	U	N	D	■	G	R	E	E	K
R	■	U	■	I	■	■	■	A	■	S	■	E
D	E	M	O	N	S	■	K	N	O	T	T	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3244

			9	1			7	
8				2				
6			4				1	
						5	9	7
5		3				2		1
2	9	7						
	1				2			6
				3				9
	5			4	8			

Solution-3243

3	7	2	5	9	1	4	8	6
5	4	9	3	6	8	1	7	2
8	1	6	4	7	2	5	9	3
2	5	7	1	4	9	6	3	8
9	8	4	6	3	7	2	1	5
6	3	1	2	8	5	9	4	7
7	2	8	9	5	4	3	6	1
1	9	3	8	2	6	7	5	4
4	6	5	7	1	3	8	2	9

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


অসিজোলনেং
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
হিংচাবীনা শায়োন তৌদুনা অসিজোলনেং শারম্মী।
অদুবু মশমদি শাংলমদে মশকসু থিরম্মী।
লুখ্রাবী মচা অসিজোলনেংগী ফি পুদুনা য়ৌরক্লম্মী।